**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 18-10-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা পাক শন্না ওপরেসন অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইরেনকাবী বজারদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী মরু মঙা য়াওবা এ.কে. রাইফল অমা, মেগজিন অমা, মরু ১৫ য়াওবা ইনসাস রাইফল অম, মেগজিন অহুম, জোইন্টভেঞ্চর প্রোটেক্টিব করবাইন অমা, মেগজিন অনি, মরু ১৪০, ইনসাস এল.এম.জি. অমা, মেগজিন অমা, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল হেন্দ সেট অহুম, সিম কার্ড তরুক, অধার কার্ড য়াওবা ৱালেট অমা ফংলে।

নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পুন্না পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৪০০ সেক্যুরিতি ফোর্সনা অশোয় অঙাম থোকহন্দনা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে।

পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক চেক পোইন্ট ১১২ হাংদোক্লুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চথরি।

**মনা (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লমফেল পুলিস ষ্টেসনবু দি.জি.পি. মনিপুর ত্রোফি ফোর ভেষ্ট পুলিস ষ্টেসন-২০২৪ গী মনা পীরগনি।

রাজ্য পুলিসকী দাইরেক্তর জেনরেলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-অনিশুবা খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসনগী মনানা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন অমসুং চুরাচান্দপুর ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনদা পীরগনি। অহুমশুবা মনানা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন অমসুং বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা পীরগনি হায়রি।

অমরোমদা, দি.জি.পি. এৱার্ড ফোর ভেষ্ট পুলিস ওফিসার-২০২৪ গী মনানা বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী এস.আই. এল. সরজ্‌বালা অমসুং উখ্রুল জিলাগী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী এস.আই. ভাশুম মিনাদা পীরগনি।

দি.জি.পি. ট্রোফি ফোর ভেষ্ট বটালিয়ন ২০২৪ না অহানবা বটালিয়ন মনিপুর রাইফলসতা পীরগনি। অনিশুবা খ্বাইদগী ফবা বটালিয়ননা ৮ শুবা অমসুং অনিশুবা মনিপুর রাইফলস বটালিয়নদা পীরগনি। অহুমশুবা খ্বাইদগী ফবা বটালিয়নগী মনানা খাবৈশোইদনা লৈবা ৮ শুবা আই.আর.বি. বটালিয়ন অমসুং খোংজারোলদা লৈবা মঙাশুবা মনিপুর রাইফলস বটালিয়নদা পীরগনি। হায়রিবা মনাশিং অসি হয়েং পাঙথোক্কদবা মনিপুর পুলিসকী রাইজিং থৌরমদা লান্থোক্কনি।

**মেন্টেল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ প্রোগ্রাম অনিনা পুন্না শিনদুনা ৱার্ল্ড মেন্টেল হেলথ ডে, তেংনৌপলগী খংশিম কম্যুনিতি হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিপ্যুতি জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মেন্টেল হেলথকী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগীদমক রেল্লি অমসু পাঙথোকখি।

**কাং (এল)ঃ** ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ কে.সি.এস.আই. সি.বি.ই. মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪ ৱাবগাই অৱাং লৈকাইদা লৈবা ৱালিদা কাংশঙদা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মখাদা ৱালিদা অমসুং হোকনা শিনদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা গ্রুপ-এ, বি,সি অমসুং দি খায়দোক্তুনা শান্নরি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা এল.এস.কে. কাংখুৎনা হোক-কাংখুৎপু পাঞ্জল

২১-১২ দা থোইখ্রে। ঙসি কে.কে.সি.ও. অমসুং ৱালিদা শান্নগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা নেসনেল দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমসুং উপ মুখ্য মন্ত্রিশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং চান্দিগরদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দা, ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ শরুক য়াখি। মীফম অদুনা লৈবাক অসিগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী হীরম কয়া কুপা খন্নখি। মদুগী মথক্তা সংবিধানকা অমরুত মহোতসব পাঙথোকপগী মতাংদসু খন্নখি। ঙরাংগী মীফম অদুদা বি.জে.পিনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী পুন্না মুখ্য মন্ত্রি ১৭ অমসুং উপ মুখ্য মন্ত্রি ১৮ শরুক য়াখি।

মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দানা হায়-কংগ্রেসনা সাসন তৌদবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং য়াওবা মীফম অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা পাঙথোকপনি। মীফম অদুদা পুন্না ৱারেপ তরুক লৌখি।

উত্তরাখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-পুস্কার সিংহ ধমীনা হায়-মীফম অদু য়ামা কান্নবা মীফম অমা ওইখি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী পাউতাক মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপদা মীফম অদুনা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**রেল ঃ** অসামগী লমদিং-বদলপুর হিল সেক্সনদা ঙরাং অগরতালা লোক মৈন্যা তিলক টার্মিনস এক্সপ্রেস রেলগাড়ি গুরুং চৎখ্রে। অদুমওইনমক, অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রে।

রেলগাড়ি অদু লমদিং-বদলপুর হিল সেক্সনদা তালিদগী নাম্থোকখিবনি। পুন্না দবা ৮ তালিদগী নাম্থোক্তুনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-পাউ অদু হেক ফংবগা খুদক্তা তেংবাং পীবগী থবক চথখি। হৌজিকসু রেলৱেজগী ওফিসিএলশিংনা তালিদগী নাম্থোকখ্রবা দাবাশিং অদু অমুক হন্না তালিদা পুশিন্নবা হোৎনরি। থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা রেলৱে ত্রেক অদুদা অতোপ্পা রেলগাড়ি অমত্তা চৎপা য়াদনা লৈরি।

**মেলাঃ** নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজনা খুঙ্গংগী লমদা পুথোকপা পোৎথোকশিং লৈবাক শিনবা থুংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা অহুমশুবা এদিসনগী সারস আজিবিকা মেলা-২০২৪ হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা লৈবা লেজর ভেল্লিদা ঙরাংদগী চথবা হৌখ্রে।

মেলা অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যদগী খুঙ্গংগী নুপীশিংনা শরুক য়ারি। মনিপুরগী খুঙ্গংশিং য়াওনা অতৈ রাজ্যগী খুঙ্গংশিংদগী পুন্না নুপী ৯০০ হেনবনা শরুক য়ারিবা মেলা অসিদা পুন্না স্তোল ৪৫০ হাংদোক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মেরা হৌ চোংবগী পাউ, বি.জে.পিগী এম.এল.এ. ১৯ না চীফ মিনিস্তর শিন্দোকবা পোরম য়াৎলন্বগী পাউ অমসুং লোক্তাক ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরক্লি।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি মেরা হৌ চোংবা কুম্মৈগা মরী লৈনবা পাউনি, হেদলাইন অসিদা হায়-চিংমী-তম্মী মচিন মনাও অমত্তা ওইমীন্নবগী কুম্মৈ-মেরা হৌচোংবেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মনিপুরগী ওইরক্লিবা ফিভমসিদা য়েলহৌমীশিং চপ মান্ননা লেপমীন্নবা মতম ওইরে হায়না নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন অসিগী শরুক

ওইরি।

মেরা হৌচোংবগী পাউ অসি মনিপুর ন্যুজতসু ফোংলি। চাউখৎপনা হোংলক্লিবা মচৎশিংগা তুনা চৎমীন্নরবসু ইশাগী কলচর, আইদেন্টিতি অমদি ত্রেদিসন কাউথোকপদি লানগনি হায়না মন্ত্রি-অৰাংবৌ ন্যুমাইনা মেরা হৌচোংবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসি পাউচে অসিদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা-চিংমী-তম্মী মচিন মনাও ওইবগী মরি চেৎশিনহনদুনা হৌ চোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মতুং তারকপা হৌচোংবগী থৌরমদা য়েলহৌমী নত্তবশিং য়াওহল্লরোইসি হায়না নিংথৌ সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিসু হেদলাইন অসিগী মনুং চন্না য়াওরি।

মেরা হৌচোংবগী পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

চীফ মিনিস্তর-বিরেন শিন্দোক্ত্রগদি পুন্না রিজাইন তৌগনি, চীফ মিনিস্তর এন. বিরেন শিন্দোকবা স্পিকর য়াওনা এম.এল.এ. ১৯ না প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদিনা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে হায়রিবা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাংদা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি পোকফম, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর ন্যুজ অমসুং হুইয়েন লানপাউদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অসামদা মীতোপ খন্দোকপগী বেজ ইয়ার ১৯৭১ ওইনবা খঙহনখ্রে। মনিপুরগীসু ষ্টেট লৈঙাক, মীয়াম কোক চুংশিন্নবা মতম ওইরে হায়না সনা লৈবাক পাউচেদো অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

লোক্তাক ডে সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রে, ঙা মচা লাখ ৫ থাদখ্রে, লোক্তাক রন পাঙথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইননি। পাউ অসি পোকফম, নহারোলগী থৌদাং, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস অমসুং সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা

লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

দিল্লিদা এম.এল.এশিং উনখিবা মতুংদা লান্দাবা হৌরকখ্রে হায়রিবা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেসতা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।